## ইরি তিল য়োকপগী তিলয়োক পথাপ

**তিলয়োক শঙ**

- ইরি তিলশিং অসি কা মনুংদা য়োক্কনি।
- কুরাক মপী ১০০গী মরুম (100 dfls) য়োক্লবগীদমক মিটর ১০ শাঙবা মিটর ৫ পাকপা অদুগা মিটর ১.৫গী মাঙ্গোল অমা য়াওরবা তিলয়োক শঙ শাবিগনি অদুগা য়ুমথক্লা টিন নত্রগা ইনা কুপ্পবসু য়াই।
- তিলয়োক শঙ অদু নুঙশিৎ নুঙশা মরাং কাইনা ফংহনবিগনি অমদি হয়িংদগী ঙাকথোক্লবা মওংদা শাবিগনি।

**লায়না থোকহন্বা মহিকশিংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ**

- মহুম মাই পাক্লা পুথোক্লবগীদমক তিল য়োক্লিঙৈ অমদি য়োক্লবা মতুংদা তিলয়োকশঙ অদুদা মহিক মতাং হাৎপা ঙম্বা হিদাক লাঙথক চাইথোকপনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি।
- হিদাক লাঙথক অদু য়োক্কদবা নুমিৎ ৭নি ৱাৎলিঙৈ অমদি য়োকপা হেক লোইবগা থুনা চাইথোকপীগনি।
- নুঙশা মরাং কাইনা শাবা নুঙথিলগী মতমদা হিদাক লাঙথক চাইথোকপনা খ্বাইদগী ফৈ।
- ৫% ব্লিচিং পাউদর মহিনা তিলয়োকশঙ অমদি তিল য়োকপদা চঙবা খুৎসু খুৎলায়শিং অদু চামথোকপীগনি। ২% ব্লিচিং পাউদর সুনুদা য়ান্দুনা শেম্বীরগা তিলয়োকশঙগী অকোইবদা চাইথোকপীবনা মান্ননা কান্নবা ফল ফংবিগনি।
- ৫% ফোরমেলদেহাইদ মহিনা মনিল ওইনবা শাহন্দুনা কা মনুং অদুদা থম্বীগনি।
- পুং ২৪গী মতুংদা কা অদু হাঙদোকপীগনি।
- মতুংদা থোঙনাও অমদি ভেন্টিলেটরশিং হাঙদোকপীদুনা নুঙশিৎ মরাঙ কাইনা চঙনবা হোৎনবিগনি।

**তিলয়োক থা (Season)**

ইরি তিল অসি চহি চুপ্পা য়োকপা য়াই অদুবু মার্চ-এপ্রিল অমদি সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থাশিং অসিনা খ্বাইদগী চান্নবা থাশিংনি।

**মরুম কোন্বা (Egg Incubation)**

ইরি তিল মপীনা কোক্লবা মরুমশিং (dfls) অদু 24-26$^{O}$C শাবা অমদি ঈনিলগী চাং 75-85% relative humidity ওইবা মফমদা থম্বিগনি।

**ওন্বদা ঙাইরিবা তিল মচা খেৎথবা (Brushing)**

- অহান্বদা ২% formalin মহিদা খুৎ শা শেংদোকপীয়ু।
- ওন্বদা ঙাইরিবা তিল মচাশিং অদু কেগে মনা অনৌবদা খেৎথবিগনি, মসি অয়ুক্কি মতমদা তৌবীগনি।

- মৈশা অমদি মনিলগী খল চানা থম্নবা তিল য়োক্লবা য়াঙ্কোক নত্রগা ত্রে অদুদা খোইরু তৈরবা চে অমদি চোৎহল্লবা foam pad শিং শীজিন্নবিগনি।

চাওখৎলক্লবা তিলশিং য়োকপা

- ৫সুবা তাঙ্কক্কী তিলশিং (5th instar) গীমক ফিট ৩ পাক চাওবা য়াঙ্কোক্তা মশিং ৩০০ লোম য়োকপা য়াই।
- অকক্লবা তিলয়োক কা অমদি তোইনা মথি ময়ুং শেংবদা খুদোং চানবগীদমক শেল ইচঙ চঙদবা ৱাগী ফম্পাক অসিসু খ্বাইদগী ফরবা তিলয়োক খুৎলাই অমনি। মসিগীদমক ফিট ৬ শাঙবা, ফিট ৫.৫ ৱাঙবা অমদি ফিট ৩ পাকপা ফম্পাক শাবিগনি মদুদা মপি ২৫-৩০ না কোকপা মরুমগী (dfls) মচাশিং থম্বা চনগনি।

মচিঞ্জাক থাবা (Feeding)

- অহান্বা তাঙ্কক্কী তিলশিং (1st instar) অদু অনৌবা মনা, ৩শুবা অমদি ৪শুবা তাঙ্কক্কীনা (3rd and 4th instar) ময়াই ওইরপ তৌবা অমদি ৫শুবা তাঙ্কক্কী তিলশিং (5th instar) গীদমক্তা অরিবা মনাশিং পীজবিগনি।
- কেগে (castor) নত্রগা কেসেরু (Kesseru) মনা পীজদুনা য়োক্লিবা তিলশিং অদু নোংমদা ৪রক্তি মচিঞ্জাক থাবিগনি।

মথি ময়ুং শেঙদোকপা (Bed cleaning)

- নোঙমদা অমুরক্তি মথি ময়ুং শেঙবিয়ু।

অমুন্বা তিলশিং খনগৎপা

- মুল্লবা তিলশিং অদু নাপু মচু হাইরপ ওইরক্কনি অমদি মহুম শানবগীদমক মফম চাবা থিরক্কনি।
- অমুন্বা তিলশিং খনগৎলগা খুৎশানা নানবা মতমদা হোপ-হোপ লাওবা (hollowness) মখোল তাগনি।
- মুল্লবা তিলশিং অদু মহুম হাইফমদা হাপচিনবীগনি।
- হান্না চৎনরম্বা জাল্লিগী মথক্তা ৱাগী চন্দ্রাকি, ৱাচেৎকী মহুম হাইফম অমদি Plastic collapsible গী মহুম হাইফমসু শিজিন্নবা য়াই।

ফংফম/লৌথোরকফম :


- Package of Practices of Muga, Eri and Mulberry Sericulture for North Eastern Region of India, 2005, Central Muga Eri Research & Training Institute (CMER & TI), Lahdoigarh, Jorhat, Assam.
- Dr. M.C. Sarmah, Shri B.N. Sarkar, Shri S.A. Ahmed, Dr. K. Neog, CMER & TI, Lahdoigarh.